# কুমজা ১৯৮২ দা দেল্লিদা তৌখিবা ৯ শুবা এসিয়ন গেমসতগী মণিপুরী মচা শরুক য়ারকখি

**রত্নেশ্বরী গোস্বামী**

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
এসিয়াগী লৈবাক খরনা শরুক য়াদুনা হৌদোরকখিবা "এসিয়ন গেমস" ঙসিদি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ওলেম্পিক গেমসকী মথংদা লৈবা গেমস অমা ওইরক্লি। ওলেম্পিক্কী চৎন-কাংলোনগুম্না গেমস অসিসু, চহী মরি-মরি কান্নরগা ঙসি ফাওবা লেপ্তনা পাঙথোরক্লি। ১৯৪৯ গী ফেব্রুৱারি ১৩ দা শেম্লকখিবা "এসিয়ন গেমস ফেদরেশন" গী মীফমদা মরু ওইনা তীনখিবা লৈবাকশিংদি আফগানিষ্টান, বর্ম্মা, ইন্দিয়া, পাকিস্টান, ফিলিপিন্স, নেপাল, থাইলেন্দ (সিয়াম), শ্রীলঙ্কা (সিলোন), ইন্দোনেসিয়া অসিনচিংবনি।

এসিয়া লৈবাকশিংতগী ওইবা শান্ন-খোৎনবগী অহানবা চাংয়েং পাঙথোক্ল বা খনখিবা লৈবাক্তি ইন্দিয়ানি। "এসিয়ন গেমস" অসি ন্যু দেল্লিদা তৌননবা ১৯৫০ দা মতম লেপখি অদুবু শান্নফম ওইগদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিং মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবদগী ১৯৫১ গী মার্চথাদা ওইনা পাঙথোকখি।

অসুম্না মথং মথং চখ্থরকপনা, ঙসিদি এসিয়াগী লৈবাক ৪৬ না শরুক য়াবা অচৌবা গেমস অমা ওইরক্লি। অকোনবা য়াওরকখিবা লৈবাক্তি ইজরেলনা ওইরি। ১৯৭৪ দা, ইজরেল অসিসু এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারকখি। অমরোমদা এসিয়ন গেমসকী ইতিহাসতা সুপ্নগী লৈবাক মাপল খক্তনা গেমস অসিগী অশিন অরাঙ ঙসি ফাওবা তৌদুনা লাক্লি।

১৯৭৮ গী বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা "এসিয়ন গেমস" তা এসিয়াগী মরু ওইবা লৈবাক ২৭ না শরুক য়াখি। বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস অসিদা পুন্না এঠলেট লিশিং অহুম্না অথোই অহেন তান্নখি। মদুদা জপান্না সনাগী মেদল ৭০, লুপাগী ৫৯, সেঙ্গেংগী ৪৯ ফঙদুনা অহানবা তাখি। মথংদা চীনানা অনীশুবা পোজিশন্দা লৈখি। ইন্দিয়াদি মতমদুদা তরুকশুবা তারকখি।

এসিয়ন গেমস নীপান মথং মথং হৌখ্রবা তুংদা "মাপলশুবা এসিয়ন গেমস" ১৯৮২ দা অমুক হন্না ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি। ওলেম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়াগী লমজিং লমতাক মখাদা, গেমস অসি হেন্না মশক মচু থোকহন্দুনা ১৯৮২ দগীদি মল্টি স্পোর্টস ইভেন্ট ওইনা মপুং ফানা চখ্থরকখি। ভারতনা য়ুম্বু

## হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস

ওইদুনা তৌখিবা ১৯৮২ গী "নাইন এসিয়ন গেমস" অসিদা, এসিয়াগী লৈবাক ৩৩ গী এঠলেট ৪,৫৯৫ দা স্পোর্টস ২১ গী তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ১৯৬ তা লম্বা তৌনখি। ১৯৮২ গী নবেম্বর ১৯ দগী দিসেম্বর ৪ ফাওবা চখ্থখিবা *গেমস অসিদা মণিপুরদগীসু শান্নরোই অহুম্না শরুক য়াখি।* ষ্টেটসিগী এঠলেটশিং অদুদি টি থৌবা, ৱাই কিরনমালা, বী বসন্তি দেবীনি। টি থৌবা অমসুং কিরনমালানা স্বিমিংদা অদুগা বী বসন্তিনা অর্চরিদা শরুক য়াখি। টি থৌবনা স্বিমিংগী মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০ গী ব্রেশ ট্রোক্তা মাপলশুবা অমসুং ১১ শুবা পোজিশন দা লাকখি। অদুগা কিরনমালানা ইভেন্ট অসিমক্তদা মাপলশুবা অমসুং ১০ শুবা তারকখি।

মসিগী মখা চখ্থরকপা ১৯৮৬ কী সিওল "এসিয়ন গেমস" তদি, মৈতৈ মচা মরিনা শরুক য়াখি। শান্নরোইশিং অদুদি পী নীলকমল, কে এস ঐচ থোইবা, এল টিকেন অমসুং প্রেমজিৎ সিংহনি। পী নিলকমল, কে এস ঐচ তোইবা, এল টিকেন হায়রিবা শান্নরোইশিং অসিনা হোকি মশান্নদা শরুক য়াখি। অদুগা ঐচ প্রেমজিৎনা ৱাটর পোলোগী শান্নরোই ওইনা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখি। "তরাশুবা এসিয়ন গেমস" অসিদা ভারতকী হোকি টিম ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। সনাগী মেদলদি সাউথ কোরিয়ানা লৌখি। অদুগা লুপাগী মেদলনা পাকিস্টান্না ফঙখি।

হোকি মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেচ সাউথ কোরিয়াগা শান্নবদা ১-১ দা দ্রো ওইখি। জপানসু ৩-১ দা থোইখি। থাইলেন্দসু ১১-০ দা মায়থিবা পীখি। হোঙ-কোঙসু ১০-০ দা থোইখি। অদুবু সেমি ফাইনেলদা পাকিস্টানগা শান্নখিবদদি ৩-১ দা মায়থিহৌখি। অসুম্না থর্দ প্লেসকী শান্নবদা মালেসিয়াবু ৪-১ দা থোইরগা অহুমশুবা পোজিশন তাহৌখি।

১৯৯০ দা পাঙথোকখিবা "১১ শুবা বৈজিং এসিয়ন গেমস" তদি মণিপুরগী শান্নরোই নুপী মঙা নুপা অমা পুন্না তরুক্না শরুক য়াখি।

-মথং-মথং



ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান শান্নখিবা, ১৯৮২ (৯ শুবা এসিয়ন গেমস, ন্যু দেল্লি)

# এসিয়ন গেমস ঃ মণিপুরদগী হৌখিবী থৌদাম কলপনা দেবী ব্রোঞ্জ মেদল বাউথতা মায়থিখ্রে



ইনচিওন, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
হৌজিক হৌজিক চখ্থরিবা ১৭ শুবা এসিয়ন গেমসকী ওইনা ঙসি ইন্দিয়াগী জুদোকা টিমগীদমক্তা য়াম্না নিংবা কাইনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা মায়োক্ল খ্রে। মণিপুরদগী হৌখিবী জুদোকা থৌদাম কলপনা দেবীনা মহাক্কী রিপচর বাউথতা কাজখষ্টানগী লিনারিয়া মিঙ্গাজোবাগী মখুত্তা কেজি ৫২ গী কেটগোরিদা মায়থিহৌরবা মতুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিদ্রে।

কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎখিবদগী কনফিদেন্স ৱাংনা এসিয়ন গেমসকীদমক্তা খোঙশানখিবা ইন্দিয়ন জুদোকাশিং মখোয়দগী হেন্না সুপরিয়র ওইবা এসিয়ন ওপোনেন্টশিংগা মায়োক্নদুনা শান্নবদা নিংবা কাইবা ওইখি।

ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক্তা রিপচর বাউথ য়ৌবা ঙমখিবী মণিপুরদগী হৌখিবী কলপনা, অতৈ অতোপ্পা ইন্দিয়ন অনী নবদিপ চনা (মেন'স ৬০ কেজি) অমসুং লিকমাবম সুসিলা দেবী (ৱুমেন'স ৪৮ কেজি) সুমমাংগী রাউন্দদা লৈহৌখি।

কলপনানা চাইনাগী মা য়িংনানগী মখুত্তা মায়থিদ্রিঙৈ মমাং নেপালগী দেবিকা খদকাগী মায়োক্তা থেংনখিবা মহাক্কী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মায় পাকখি । রিপচর বাউথকীদমক্তা খুদোংচাবা অমা ফংখিবগা লোয়ননা কলপনানা চাইনিজ টাইপৈগী জু বাই লি য়েনবু মায়থিবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেদল বাউথকীদমক্তা কাজখষ্টানগী জুদোকা থেংনখিবনি অদুবু লাইবক থিবদগী জুদোকা কলপনা মায়থিদুনা মেদলগী অশা কায়খি।

নীংশিংবা য়াই, জুদোকা কলপনা ইন্টরনেশনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা মেদল কয়া লৌরকখ্রবী শান্নরোইনি। চহী য়াম্না নৌরিবী তুংগী অশা চাউনা মীয়াম্না থম্নরিবা জুদোকা থৌদাম কলপনা কুমজা ২০০৭ তগী হৌনা ইন্টরনেশনেল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াবা হৌরক্তুনা মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুদুনা লাকখিবনি।

চখ্থরিবা এসিয়ন গেমস অসিদসু থৌদাম কলপনানা মহাক্কী বাউথতা মেদল অমদি শোয়দনা ফংগনি হায়না মীয়াম্না চাউনা অশা তৌনরম্বনি অদুবু লাইবক থিবদিগী ব্রোঞ্জ মেদলগী বাউথতা মায়থিখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী মেদল অমদি মাঙজরে।

জুদোকা কলপনা কুমজা ২০১১ দা ফ্রান্সকী পেরিসতা পাঙথোকখিবা ২৮ শুবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপতা ৭ শুবা পোজিশন তাখিবনি। হন্দক্তা স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা থৌদাম কলপনানা মহাক্কী ৱেঠ কেটগোরি অসিমক্তদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি।

# নুপীগী সেনিয়র কম্পাউন্দদা ভি এ এগী গিতাঞ্জল্লি, নুপাগীদা রতনকুমারনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
মণিপুর আর্চরি এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চখ্থরিবা ২৯ শুবা সব জুনিয়র, ২৬ শুবা সেনিয়র ষ্টেট অর্চরি চেম্পিয়নশিপকী ঙসি লোয়শিনখিবগা লোয়ননা নুপীগী সেনিয়র কম্পাউন্দদা ভি এ এগী এল গিতাঞ্জল্লি অদুগা নুপাগী সেনিয়র কম্পাউন্দদা ৱাই এ সিগী কে ঐচ রতনকুমারনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি লোয়শিনখিবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা নুপীগী সেনিয়র কম্পাউন্দদা ভি এ এগী এল গিতাঞ্জল্লিনা পোইন্ট ১৩০ (৯) ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। সাই আর সিগী আর কে সৈত্যপ্রিয়ানা পোইন্ট ১৩০ (৮) ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা সাই আর সিগী পি বেবিনা পোইন্ট ১৩৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপাগী সেনিয়র কম্পাউন্দদা ৱাই এ সিগী কে ঐচ রতনকুমারনা পোইন্ট ১৪১ ফংদুনা গোল্ড, এ এ সিগী ও কেনেদিনা পোইন্ট ১৪০ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা ভি এ এগী কে ঐচ জোনিনা পোইন্ট ১৩৮ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।




নুপীগী সেনিয়র রিকর্ভতা মণিপুর পুলিসকী বি লুসিনা গোল্ড, নেশনেল স্পোর্টস একাদেমিগী এন রুপন্না সিলভর মেদল অদুগা সাই আর সিগী টি ঐচ সুরমালানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপাগী সেনিয়র রিকর্ভতা এফ এ সিগী এম মালেমঙানবনা গোল্ড, সাই আর সিগী এ জয়চন্দ্রনা সিলভর মেদল অদুগা সিকাগী কে ঐচ সুরেসবাবুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

নুপাগী কম্পাউন্দ টিমদা এ এ সিনা পোইন্ট ২২১ ফংদুনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। সাই আর সিনা পোইন্ট ২১৭ ফংদুনা সিলভর মেদল অদুগা ভি এ এনা পোইন্ট ২২৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা আই এম সিগী চ্যেরপার্সন অরিবম নিমাই শর্ম্মা, মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম অমসুং য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী জোইন্ট দিরেক্টল এল জয়েন্তকুমারনা মথংশিৎনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# সনিয়া-কারা টোকিওদা দবলস টাইটল লৌখ্রে



টোকিও, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
হৌজিক হৌজিক চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনা য়াম্না ফজবা ফোর্ম অমদা লৈরিবী ইন্দিয়ন টেনিস ষ্টার সনিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী জিম্বাবৱিন মপাং করা ব্লেক্না ঙসি স্পেনগী গার্বাইন মগরুগা অমসুং কার্লা সুআরেজ নবারোবু ৬-২, ৭-৫ তা মায়থিবা পীরম্লগা দব্লিয়ু টি এ টোরে পেসিফিক ওপনগী ৱুমেন'স দবল টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি মায় পাকখিবা অসিনা লোয়ননা সনিয়া অমসুং করানা য়াম্না মায় পাক্লা অমসুং অপল অরাক অমত্তা য়াওদনা মখোয়গী টোকিও ওপন টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে।

টাইটল অসি য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন অমগী শেলগী মনা লৈরিবা ইভেন্ট অমনি। সনিয়াগীদমক্তা ওইনদি মহাক্কী য়ু এস ওপন মিক্স দবলসদা ব্রাজিলিয়ন মপাং ব্রুনো সুঅরেজগা জুরা শেমদুনা শান্নখিবদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা য়াম্না নুংঙাইবা মীকুপ অমা ওইখ্রে।

মহাক্লা হৌজিক ইনচিওন এসিয়ন গেমসতা লিয়ন্দর পেস য়াওদনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী টেনিস কন্টিনজেন্টদা লৈবাক্কী চেলেঞ্জদা মাংজিল থাবি শান্নরোই ওইগদৌরি।

পনবা য়াই, লিএন্দর পেসদা নত্তনা রোহন বোপানা অমসুং সোমদেব দেবর্ম্মনসু এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়াখিদ্রবনি।

সনিয়ানা মিক্স দবলসকী ইভেন্টতা লেফ্ট-হেন্দেদ গিবিজ সরন নত্রগা সার্ভিস কন্না তৌবা ঙম্বী সকেট মাইনেনি অনীগী মনুংদা অমগা জুরা শেমদুনা শান্নরবা য়াই। মিক্স দবলস ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেদল অমা শোয়দনা ফংবা য়াবগী য়াম্না ময়েক শেংলবা চান্স অমা ফংলি।

ঙসি থাংজ নুমিত্তা শান্নখিবা ফাইনেলদা সনিয়া-করা অনীগী জুরানা স্পেনিস চেলেঞ্জবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা শুপ্নগী পুং ১ গা মিনিট ১৫ চংখি। মখোয়গী ওপোনেন্টগী মায়কৈদগী মখোয়গা লম্বা পান্নখিবদা মতিকচাবা হায়বদু ওইখিদে।

ইন্দো-জিম্বাবৱিন জুরানা য়াম্না কা হেন্না ৱাংবা পার্সেন্টেজদা হায়বদি চাদা ৭৩ গী চাংদা পোইন্ট লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয়না মখোয়গী ওপোনেন্টবু মেচ অদুদা ৭ লক ব্রেক তৌবা ঙমখি।

# মিনি অমসুং জুনিয়র ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখ্থরিবা ১৫ শুবা মিনি অমসুং ৩৪ শুবা জুনিয়র ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়রগী অহানবা মেচতা এন ৱাই ভি এ (এ) নাওরেম্না পি পি সি ময়াং ইম্ফাল সেট ২-০, (২৫-২১, ২৫-২২) দা মায়থিবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতা এস ঈ দব্লিয়ু এ নাচৌনা গেলেক্সি য়ুরেম্বম সেট ২-১ (২৩-২৫, ২৫-১৫, ১৫-১৩) দা মায়থিবা পীখ্রে। অহুমশুবা মেচতা এল এল এম সি লৈমপোকপম্না কে জি ৱাই সি খাইদেম সেট ২-০ (২৫-১৮, ২৫-১৩) দা মায়থিবা পীখ্রে। মরিশুবা মেচতা এন ৱাই ভি এ (বি) নাওরেম্না ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম সেট ২-০ (২৫-২৩, ২৫-৯) দা মায়থিবা পীখ্রে। মঙাশুবা মেচতা কে ৱাই ভি এ খোইজুমান্না সেৱা নাচৌ সেট ২-০ (২৫-২০, ২৫-২০) দা মায়থিবা পীখ্রে।

১৩ শুবা মিনিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস দব্লিয়ু শান্তিপুরনা আই সি ঈ এ ইরেংবম সেট ২-০ (২৫-২১, ২৫-২৩) দা মায়থিবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতা পি বি এম ৱাংজিংনা সেৱা নাচৌ সেট ২-০ (২৫-১৪, ২৫-১৮) দা মায়থিবা পীখ্রে।

সব জুনিয়রগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা আই জি ও ওইনাম্না সেৱা নাচৌ সেট ২-০ (২৫-২৩, ২৫-৭) দা মায়থিবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম্না টি জি ঐচ হৈগ্রুজম সেট ২-০ (২৫-২২, ২৫-২৩) দা মায়থিবা পীখ্রে। অহুমশুবা মেচতা সেৱা নাচৌনা গেলেক্সি য়ুরেম্বম সেট ২-০ (২৫-২১, ২৫-১৮) দা মায়থিবা পীখ্রে। মরিশুবা মেচতা পি বি এম ৱাংজিংনা এল এস এ লিলোং সেট ২-০ (২৫-১৮, ২৫-১৬) দা মায়থিবা পীখ্রে। মঙাশুবা মেচতা এস ৱাই দি এ মুতুম ফিবৌনা এল এল এম সি লৈমপোকপম সেট ২-০ (২৫-১৭, ২৫-১৭) দা মায়থিবা পীখ্রে।

# য়ুঠ ক্লব উরিপোক্না য়ুঠ গার্লসকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা মোদেল ক্লব চিঙামখানা শিন্দুনা মোদেল ক্লব বাস্কেটবোল কোর্টতা চখ্থরিবা ২১ শুবা নুপা অমসুং নুপীগী য়ুঠ অমসুং সব জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুঠ গার্লসকী ফাইনেলদা য়ুঠ ক্লব উরিপোক্না আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া বাস্কেট ৫৩-৪৮ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থিহৌরবা আর কে সনাতোম্বী দেবীনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল অদুদা মায় পাক্তুনা ৱিন্নর ওইখ্রবা য়ুঠ ক্লবকী পোইন্টশিং অদু টি ঐচ ববিনানা পোইন্ট ১৬, টানিয়ানা পোইন্ট ১০, কেরোলিন পাওলনা পোইন্ট ২১, এস টেলিকা অমসুং ঐচ উরমিলানা পোইন্ট ৩/৩ বাস্কেটতা হাপখি।

রন্নর্স-অপ তাহৌরবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়াগী টি প্রেমিতানা পোইন্ট ১৪, অঞ্জনা অমসুং আর কে নিরনানা পোইন্ট ৪/৪, লিন্দানা পোইন্ট ১৮ অদুগা এম মোনিকানা পোইন্ট ৮ বাস্কেটতা হাপখি।

# জুনিয়র কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ২৭ ফাওবা ৪১ রক শুবা মণিপুর ষ্টেট জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ মোইরাং কম্পু পঞ্চায়েট গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু নোংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দগী ফিভম ফত্তবদগী মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। মরম অদুনা শরুক য়ারিবা টিমশিং অমদি ক্লবশিংনা ৱারৌবিদনবসু এসোসিএশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# বোক্সিংগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
ছটিশগরগী রাপুরদা মথং থাগী ১১ দগী ১৬ ফাওবা অহানবা বোক্সিং ইলাইট সেনিয়র ৱুমেন'স নেশনেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৪-১৫ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবা বোক্সরশিং খন্নবগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা চৎলিবা থা অসিগী ২৬ কী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক বোক্সিং ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপী বোক্সরশিংনা ট্রাইএল নুমিৎ অসিদা মতম চানা লাক্কদবনি। মরম অদুনা শরুক য়াগদবা বোক্সরশিংনা কুমজা ১৯৭৪ দগী ১৯৭৫ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইবগা লোয়ননা দেট ওফ বার্থ সার্টিফিকেটনচিংবসু লোয়নরক্কদবনি হায়না মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
ষ্টেন্দর্দ এঠলেটিক ব্রদর্স এসোসিএশন উরুপ খৈফরোক্না শিন্দুনা মথং থাগী ১২ দগী অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ উরুপ চিংয়াদা লৈবা উরুপ পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা হৌরগনি।

মরম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা অকুপ্পা মরোল এসোসিএশন অসিদগী খংলবা য়াগনি হায়না এসোসিএশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি জনাবউদ্দিন্না খঙহল্লক্লি।

# কোকা কোলা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসিদগী কোকা কোলা স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ চখ্থবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙসি অহৌবা নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা ওকশোংবুং হায়স্কুল মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ওকশোংবুং হায়স্কুলনা সেন্ট পেত্রিক স্কুল গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ওকশোংবুং হায়স্কুলগী গোল অদু রোবার্টসন মোইরাংথেম্না মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগ মেচশিং য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ
ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চখ্থরকপা ৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৪ গী ঙসি শান্নগদবা মেচ অদু নোং চুবা মরম্না গ্রাউন্দগী ফিভম ফত্তবা অমদি শান্নবা য়ারোইদবা মরম্না য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা মখা তাবা মেচশিংসু মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিএশন অসিনা খঙহল্লক্লি। মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা লীগ অসিগী মখা তাবা মেচশিং করম্বা মতমদা শান্নবা হৌগদগে হায়বা অনৌবা ফিকচর অমা অথুবা মতমদা থোক্লগনি হায়রি।

# পি ৱাই সি কৈরক্না ককচিং সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ ঃ
দি এস এ ককচিংনা শিন্দুনা এসোসিএশন অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা চখ্থরকপা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লোইখিবগা লোয়ননা পব্লিক য়ুঠ ক্লব (পি ৱাই সি) কৈরক্না পুন্না পোইন্ট ১৪ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম তরেৎনা শরুক য়াদুনা চখ্থরকপা লীগ অসিগী ঙসি লোয়শিনবগী নুমিত্তা পি ৱাই সি কৈরক অমসুং দিভলপমেন্ট য়ুঠ এসোসিএশন (দি ৱাই এ) এলাং খাংপোকপী গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। দ্রো ওইখিবদগী টিম অনীমক পোইন্ট ১/১ য়েন্নখি।

ঙসিগী মেচ অসিদা করিগুম্বা দি ৱাই এনা মায় পাকপা তারবদি লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইগদবা মরম্না ঙসিগী মেচ অসি য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখি। অদুবু পি ৱাই সি কৈরক্কী ওইনদি ঙসিগী মেচ অসিদা দ্রো ফাওবা ওইবা য়াবা মরম্না খরা কোম্না শান্নখি। লীগ অসিদা দি ৱাই এনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি। অকশা ককচিং খুনৌনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিশন তাখি। জুবেনাইল এসোসিএশন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা ৪ শুবা পোজিশন, টি দব্লিউ ৱাই এল এ ককচিংনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা ৫ শুবা পোজিশন, ৱাই এস এ লাংমৈদোংনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা ৬ শুবা পোজিশন অদুগা আইফা ইরেংবন্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা ৭ শুবা পোজিশন তাখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী খ্বাইদগী শোনবা টিম ওইখি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ইপসা য়ুম্নাম লৈকাই অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সি মালোম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইপশা য়ুম্নাম লৈকাইনা গ্রুপ সেন্তর সি আর পি এফ লাংজিং গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ইপশাগী গোল অদু রিসিনা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

টিম ১১ না শরুক য়াদুনা চখ্থরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই দব্লিয়ু সি মালোম্না ঐচ এন এস সি লিলোং হাওরৈবি গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিয়ু সিগী অহানবা গোল এ বিপিন্না মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা চনখি। কে অবুংনা অনীশুবা গোল মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা অদুগা য়োহেন্না অহুমশুবা গোল মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি।

